# য়ুক্রেনগী ফিভম লৈতাদ্রিবা ফাওবা রুশিয়াগী লান্মী লৈখিগদৌরি



*কিয়েব, মার্চ ৩ঃ* য়ুক্রেন্দা হৌজিক ওইরিবা লৈতাদবা ফিভম অসি মহৌশাগী ফিভমদা হল্লক্ত্রিবা ফাওবা রুশিয়াগী ইন্টরেষ্ট অমদি মফমদুদা লৈবা রুশিয়া মচাশিং ঙাক-শেন্নবা লৈবাক অদুগী লান্মীশিং লেংদনা লৈখিগনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর সরগৈ লাভরোবনা হায়বদা য়ুক্রেন্দা অল্ট্রা নেসনেলিষ্ট গ্রেদ লৈরিবমখৈ হ্যুমেন রাইটস ঙাক শেনবগী মথৌ তারি হায়না ফোংদোকখ্রে। পনবা য়াবদি ক্রিমিয়ান রিজন্দা রুশিয়ানা হৌজিক মতম খরগী ওইনা মিলিটরি কন্ট্রোল থমজিনবদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা য়ুক্রেনগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনরে হায়না কন্না কন্দেম তৌনরিবনি। অদুগা য়ুক্রেননসু রুশিয়াগী খোঙথাংশিং অসি মায়োক্লনবা লৈবাক অদুগী লান্মী মপুং ফানা মোবিলাইজ তৌনবা ঙরাং ওর্দর তৌখ্রবনি।

বি বি সিগী পাউমী অমনা সেবাষ্টোপোলদগী হায়বদা হৌজিক ফাওবদা নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপত্রি অদুগা ত্রিটি অমদা সাইন তৌনবা লৈত্রি। অদুবু ক্রিমিয়ানদি রুশিয়াগী লান্মীগী কন্ট্রোল মখাদা লৈরে হায়না ফোংদোকখ্রে। য়ুক্রেন মিলিটরিগী অচৌবা বেজ অনিসু রুশিয়ান লান্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা থমখ্রে।

ক্রিমিয়াগী লোকেল সেল্ফ দিফেন্স গ্রুপশিংগা মীচং ওইদুনা রুশিয়াগী লান্মীশিংনা বেজ অনি অসি কোয়শিনবগা লোয়ননা বেজ অদুদা লৈরিবা কিয়েবতকী দিফেক্ট তৌরকপা য়ুক্রেন লান্মীশিংনা ক্রিমিয়াগী অনৌবা রুশিয়াবু য়াবা গভর্নমেন্ট অসি ঙাক্কদবনি হায়না দিমান্দসু তৌরি। নেভেল হেদ ক্বার্টরস ব্লোকেদ তৌবগা লোয়ননা মরুওইবা এয়ারপোর্টকুম্বা ইন্সটোলেসনশিং হৌজিক হৌজিক রুশিয়া লান্মীশিংনা খুদুম চনশিনখ্রে। রুশিয়ান এলিট ক্রুপ লিশিং কয়ামরুম নৌনা থুংলবগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরিবা য়ুক্রেন লান্মীদগী মশিংলোমদা লাকশিনখ্রে।

ক্রিমিয়ান পেনিনসুলাদা গাড়ী অমত্তা চংলকপা য়াদনবা মরুওইবা লম্বীশিং থিংজিনবগা লোয়ননা ক্রিমিয়াদি য়ুক্রেনগী মফম অতৈগা শম্নহন্দ্রে। লৈবাক অদুদা রুশিয়াবু য়াবা খোঙজং কয়ামরুম্না মোস্কোগী খোঙথাং অসিবু তরাম্না ওকখ্রে।

জেনেভাদা লাভরোবনা ঙসি হায়খিবদা রুশিয়া লান্মীশিংনা য়ুক্রেনগী পোলিটিকেল ওইবা চরাংনবা অসি লৈতাবা ওইরক্ত্রিবা ফাওবা লান্মীশিং থম্বা মথৌ তারি হায়না ফোংদোকখ্রে। লান্মীশিং য়ুক্রেন্দা চংশিনবা অসি হৌখিবা থাংজদা রুশিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা কুপ্না খন্নরগা অয়াবা পীখিবনি। মায় পাক্লবশিংনা মখোয়গী মায় পাকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মাইনোরিটি মীয়ামগী মীওইবগী হক অমদি ফংফম থোকপা নীংতম্বদা শিংনরি হায়না ফোংদোকখ্রে।

জেনেভাদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকি মুন উন্ননবা শেম শারিবা লাভরোবনা মখা তাখিবদা, অল্ট্রা নেসনেলিষ্টশিংগী ভাইওলেন্স থৌওংশিংনা ক্রিমিয়াগী রুশিয়ান লোনবা মীয়াম অমদি রুশিয়ানশিংগী রিজনেল ইন্টরেষ্ট অমদি পুন্সি মহিংদা অকিবা পীরে হায়নসু ফোংদোকখি। নোংচুপ লৈবাকশিংনা সেঙ্কসনশিং অমদি বোয়কোট নচিংবা পন্দুনা ধমকা তৌরিবদু মহাক্লা কন্দেম তৌবসু ফোংদোকখি।

জেনেভাদা বি বি সি গী ব্রাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা, পীনরক্লিবা ব্রারোলশিং অসি মমাংদা পাউমীশিংদা য়েঙ্খোকখিবা অদুগা শাথিনা খেন্নরে হায়না ফোংদোকখি। নীংশিংবা য়াবদি মমাংদা লাভরোবনা হায়খিবা ব্রারোল অমদা মীচম মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবনি হায়জিল্লগা লান্মীগী খুৎ চংশিনবনা তাইওন্নবা চৈথেং ফংহনগনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

ব্রাফম অমনা য়ুক্রেনগী নৌনা খনখ্রবা ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর অরসেনি য়াটসেনয়ুকনা কিয়েবতা হায়খিবদা ক্রিমিয়াবু লৌশিন্নবা হোৎনরকপা পুন্নমক মায়থিগনি হায়না ফোংদোকখ্রে। অদুমকপু হৌজিক ফাওবদা মিলিটরিগী ওপসনদি খন্নবা লৈত্রি হায়নসু মহাক্লা মখা তারদুনা ব্রাথোক অসিদা মালেমগী ওইবা ইকোনোমিক অমদি পোলিটিকেল ওইবা সপোর্টনা খ্বাইদগী মরুওই হায়নাসু ফোংদোকখি। ব্রাথোক অসিনা রুশিয়াগী ষ্টোক মার্কেটতদি অকনবা চৈথেং লৈহনবগা লোয়ননা রুবলগী ভেল্যু ফজনা হন্থখ্রে হায়নসু লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

# পাকিস্থান কোর্ট এটেক্তা ১১ শিরে



*ইস্লামাবাদ, মার্চ ৩ঃ* পাকিস্থানগী কোনুংদা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্স অমদা এটেক তৌরক্তুনা ঙসি য়ামদ্রবদা মীওই ১১ হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ পায়বশিংনা ইখঙ খঙহৌদনা কোর্ট কমপ্লেক্স অদুদা নমদুনা চংশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অদুগী মতুংদা স্যুসাইদ বোম্বর অনিনসু মশাগা কোন্ননা পোকখাইহঞ্জখি। অয়ুক্কী মতমদা কোর্ট অদুদা মী পুনবা হৌগৎলকপা মতাংদা চখরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেক অদুদা জজ অমগা লোয়র কয়ামরুমগা য়াওনা মীওই ১১ শিখি অদুগা ২৪ না শোকখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

গ্রুপ অমত্তনা এটেক অদু মখোয়না চখবনি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুবু চহি কয়াগী মনুংদা ঙসিগী এটেক অসি খ্বাইদগী শাথিবা এটেক অমদি ওইরি হায়না ইস্লামাবাদতা বি বি সিগী পাউমী অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়বগী মতুংইন্না কোর্টকী এলিব্রেশিংদা ফাওদুনা চৎখিবদা ওফিস কয়ামরুমদগী ঈ চাইথোরকপা উখি। ঈশিং অদু উহৌবশিংনা হায়বগী মতুংইন্না লোয়রশিং অমদি ক্লাইয়েন্টশিংদা নোংমৈ পায়বশিং অদুনা মথোং মরম খঙদনা কাপশিনখিবগী ঙাক্তুনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

কোন্নথংদা কম্মান্দোশিংবু পেরামিলিটরি গ্রুপশিং চংশিল্লক্তুনা কা খুদিংমক্তা এটেক্করশিং অমদি ভিক্টিমশিং লৈরিব্রা হায়না চেক তৌথোকপগা লোয়ননা কোর্ট কমপ্লেক্স অদু শেংদোকখ্রে।

ফোরেন্সিক ওফিসারশিংনসু জজ অমা শিখিবা কোর্ট অমগী মপান্দা চাইদুনা তারিবা স্যুসাইদ বোম্বর অমগী হকচাং মচেশিং একজামিন তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি পাকিস্থানি টালিবাননা থা অমা চুপ্পা সিজ ফয়ার চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবা চয়োলগী হেক অরোইবদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। গভর্নমেন্টনসু মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা এয়ার ষ্ট্রাইক চথবা লেপ্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

গভর্নমেন্ট অমদি টালিবানগী খোঙথাংশিং অসি খুমাং চাওশিনবা য়াদনা লৈরিবা শান্তিগী থৌশিল অদু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি। অমরোমদা ঙসিগী থৌদোক অদু টি টি পি নদি মখোয়গা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা ঙসিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা হায়বদা, নোংমৈ পায়বশিং অদু চপ চাবা মশিংদি খঙদে। অদুবু হেন্দ গ্রেনেদশিং অমদি এ কে-৪৭ এসোল্ট লাইফলশিং পায় হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অহানবমক্তদা মখোয়না জজশিংগী চেম্বরশিং অমদি লোয়রশিংগী ওফিসশিংদা খঙহৌদনা ফুজিল্লকখি হায়না ফোঙদোকখি।

ইস্লামাবাদ পুলিসকী চিফ সিকন্দর হায়াটনা হায়বদা এটেক্করশিং অদুগী মরক্তা অনিদি মশাগা কোন্ননা বোম পোকখাইহঞ্জখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্থানি টি ভি গী ফুটেজদা থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অদুগী থোঙনাওশিং অমদি ফক্লাংশিং কায়বগা লোয়ননা কোর্টকী শঙলেন অদুদগী মীয়ামনা অশিবা অমদি অশোকপশিং পুথোরকপা উখি হায়রি।

পাকিস্থানি পুলিস ওফিসারশিংনসু এটেক মফম অদুদগী মীয়াম কন্নবা হোৎনখি। খুৎলায় পায়বা পুলিসশিং মফম অদুদা চেনশিল্লক্তুনা মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবা হোৎনখি। অদুবু এটেক্করশিং অদুগী মরক্তগী পুলিসনা ফাহৌবা য়াওব্রা হায়বগী অশেংবা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# স্পেস ফিল্ম 'গ্রেভিটি' না ওস্কার এব্রার্দ ৭ লৌখ্রে

*নিউয়োর্ক, মার্চ ৩ঃ* মালেমদা পুথোক্লরিবা ফিল্মশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইবা খনগৎলগা পীবা মনা অমা ওইরিবা ওস্কার এব্রার্দ চহি অসিগী ওইনা স্পেস ফিল্ম 'গ্রেভিটি'না খ্বাইদগী হেন্না ফংবা ঙমখ্রে।



কুমসি চহিগী ৮৬ শুবা একাদেমি এব্রার্দ সেরেমোনিদা 'টুয়েল্ভ ইয়ার্স এ স্লেব' হায়বা হিষ্টরিকেল ফিল্ম অসিনা বেষ্ট পিকচরগী এব্রার্দসু ফংবা ঙমখি। অদুগা বেষ্ট দিরেক্টরগী লেমজনিঙাই ওইরবা ওস্কার এব্রার্দনা গ্রেভিটিগী দিরেক্টর অলফোনসো কুব্রারোননা ফংখিবগা লোয়ননা লেটিন অমেরিকান মচাশিংগী মরক্তা মহাক্লা মনা অসি ফংবা খ্বাইদগী অহানবা দিরেক্টর ওইরে।

ফিল্ম অসিনা টেক্লিকেল এচিভমেন্টশিংগী ওইনা ওস্কার এব্রার্দ ৬ শু ফংখি। ব্রুদি এলেনগী 'ব্লু জস্মিন' হায়বা ফিল্ম অসিদা হিরোইনগী শক্তম লাংখিবী কেট ব্লেনচেটনা লেমজনিঙাই ওইরবা বেষ্ট এক্ট্রেস মনা ফংখি। অদুগা 'দলাস বায়ার্স ক্লব' হায়বা ফিল্ম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা রোল লৌখিবা মেথিয়ু মক কোন্নফিনা বেষ্ট এক্টর ওস্কার এব্রার্দ লৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ফিল্ম অনিদা বেষ্ট পিকচর অমদি বেষ্ট দিরেক্টরগী ওস্কার এব্রার্দ পীবা হন্দক্কী চহিনা থংন-থংননা অনিরকশুবা চহি ওইরে।

গ্রেভিটিগী দিরেক্টর ওইখিবা কুব্রারোননা ফিল্ম অসিগী ত্রান্সফোর্মেটিভ পব্রার অদুবু থাগৎপগা লোয়ননা ফিল্ম অদুদা এক্ট তৌখিবী সান্দ্রা বুলোকপু ফিল্ম অসিগী থব্রাই অমদি থম্মোয়নি হায়না শিংথাখি। চহি ৫ চংনা নমখিবা ফিল্ম অসি মরুওইনা বৃটিশ ভিজুয়েল ইফেক্টকী স্পিসিয়েলিষ্ট অদুগী হৈ শিংবনা মরুওইনা থাক ব্রাংনা পুখৎখি। ফিল্ম অসিনা এদিটিং, সাউন্দ মিক্সিং, সাউন্দ এদিটিং, সিনেমাতোগ্রাফি, ভিজুয়েল ইফেক্টস অমদি বেষ্ট ওরিজিনেল স্কোরগী ওস্কার মনাশিং ফংখি।

লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসি ফংখিবা ফিল্মশিং অদুদি গ্রেভিটিনা ৭, টুয়েল্ভ ইয়ার্স এ স্লেবনা ৩, দলাস বায়ার্স ক্লব না ৩, ফ্রোজননা ২, দ গ্রেট গেটসবিনা ২, ব্লু জস্মিননা ১ অদুগা হার না ১ নি।

পনবা য়াবদি টুয়েল্ভ ইয়ার্স এ স্লেবকী দিরেক্টর ওইখিবা ষ্টিব মকক্লিননা ফিল্ম অসিগী বেষ্ট পিকচর ওস্কারগী মনা অদু মীনাই নাইথাংগী পুন্সি মরেল খাংলিবা মীওই পুন্নমক্তা দেদিকেট তৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

মীপুম খুদিংমক্লা চুম্না পুন্সিবু হিংবখক নত্তনা লেনবসু ফংফম থোকই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ফিল্ম অসি নোরথুপ হায়বা ফাবিরগা মিনাই ওইনা য়োঙ্খোকপীখিবা অশেংবা মীওই অমগী অশেংবা পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইনা পুথোকপনি। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর ব্রেদ পিটনা দিরেক্টর ষ্টিব মকক্লিনগী নমথবা য়াদবা স্পিরিট অদুবু থাক ব্রাংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংখিবী কেনিয়া মচা লুপিতা নিয়োং'ও হায়বী এক্ট্রেস অসিনা ইন্দিপেন্দেন্ট স্পিরিট এব্রার্দ হায়বা অখন্নবা মনা অমগা লোয়ননা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী লেমজনিঙাই ওইরবা মনাসু লৌখি।

# ওবামানা নেটানয়াহুদা ব্রার্নিং তৌখ্রে

*নিউয়োর্ক, মার্চ ৩ঃ* পেলেষ্টিনিয়ানশিংগা য়াশিন্নবগী পান্দমদা অমেরিকানা শেম শাবা শান্তিগী য়ানরোল অমা লায়না লৌবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটানয়াহুবু মদুনা মালেমগী ওইবা ফত্তবা চৈথেং অমগী ব্রাহৌফম ওইরকপা য়াই হায়না ব্রার্নিং পীখ্রে।

হ্বাইট হাউসতা ব্রারী শান্নদ্রিঙৈ মমাংদা প্রসিদেন্ট ওবামানা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটানয়াহুনা খুদোংচাবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনবা চুম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

অদুবু নেটানয়াহুনদি ওবামাগী ব্রারোল অসিদা অকনবা ব্রাহৈ ফোঙদোক্তুনা ঐহাক প্রেসরদা চৎকদবা মী নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

চহি অহুম য়ানদনা লৈরকখ্রবা মতুংদা ইজরেলগা পেলেষ্টিনিয়াশিংগা মমাংগী জুলাই থাদা হকথেংননা ব্রারী শান্নবা হোৎনবদা মহৈ ফংবা ঙমখিদ্রবনি।

মতাং অমদা ব্রাশিংটননা হায়খিবদা, চহি কয়ামরুম লিশাং শিংনা লৈরক্লবা ব্রাথোক অসিগী ব্রারোইশিন অমা পুরক্লবা য়ু এসনা খল্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু প্রসিদেন্ট ওবামানা তকশিনবা অসি হন্দবগা লোয়ননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টরবু পেলেষ্টিনিয়ানশিংগা শান্তি পুরক্লবগী মতাংদা অমুক্লা হেন্না তকশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এসনা শেম শাবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীয়ামদা ফোঙদোক্ত্রিবা ফ্রেমব্রার্ক দোক্যুমেন্ট অসিদা মায়গৈ অনিনা য়ানবা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা পাল্লি। শান্তিগী থৌরাং অসি মহাক্কী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইরিবা জোন কেরিনা পুখৎলকপা ব্রাফমনি। শান্তিগী ব্রারী অসিদা ইজরেল অমদি পেলেষ্টিনিয়াশিংগী মরক্তা লৈরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা ইস্যুশিং পল্লি। ইস্যুশিং অদুদি ইজরেল অমদি তুংদা ওইরক্কদবা পেলেষ্টিনিয়ান ষ্টেটকা অনিগী মরক্তা লৈগদবা ঙমখৈ, জেরুসালেমগী ফিভম অদুগা পেলেষ্টিনিয়ান রিফ্যুজিশিংবু মরমদমদা হল্লকপা য়াহনগদবনি হায়বা পেলেষ্টিনিয়ান মীয়ামগী দিমান্দ অসিনচিংবশিং য়াওই হায়রি। ব্রেষ্ট বেঙ্কতা লৈগদবা সিক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টসু দোক্যুমেন্ট অসিদা মরুওইনা পল্লি হায়রি। ব্রারোইশিন অসি হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা পুরক্লবা হোৎনদ্রগদি কনানা করম্বা মতমদা হোৎনগনি হায়না নেটানয়াহুদা ঐনা তকশিনগনি হায়নসু ওবামানা ফোঙদোকখ্রে।



*মাইক্রোসোফট ফাউন্দর বিল গেটস*

# বিল গেটস মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ওইরে

*নিউয়োর্ক, মার্চ ৩ঃ* ফোর্বস বেগাজিনগী চহিগী ওইবা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা বিল্লিওন্নিয়ারশিংগী মিং পরেং ফোঙদোরকপদা মাইক্রোসোফ ফাউন্দর বিল গেটসনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে হায়রি।

ইং ২০১৩ দা মহাক্কী অপুনবা মরল হান্না দোল্লর বিল্লিয়ন ৬৭ ওইরম্বদগী কুমসি চহিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭৬ তা হেনগৎপা ঙম্বদগী মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওই অমুক হন্না ওইরকপনি। মহাক্লা মকোক্তা লৈবদগী হান্না মকোক্তা লৈরম্বা মেক্সিকোগী টেলিকোম টাইকুন কার্লোস স্লিমবু অনিশুবা মফমদা ইন্থখ্রে।

ফোর্বসনা হায়বগী মতুংইন্না মালেমদা পুন্না বিল্লিওনিয়ার ১৬৪৫ লৈ হায়রি। ফোর্বসকী লিষ্টতা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ২০ গী মনুং চন্নবগীদমক হাকুম চহিদা য়ামদ্রবদা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৩ পায়বা য়ারম্বদগী কুমসি চহিদদি বিল্লিয়ন ৩১ দা হেনগৎলে হায়নসু ফোর্বসনা ফোঙদোরকখি।

হৌখিবা চহি ২০ লোমগী মনুংদা গেটসনা মকোক্তা ১৫ রক লৈখিবনি। মরু ওইনা ফোর্বসকী লিষ্ট অসিদা খ্বাইদগী ইনাকখুনবশিংদি টেক্নোলোজি ফার্মশিং ওইরি। য়ু এসতা বিল্লিওনিয়ার ৪৯২ লৈদুনা মালেমদা বিল্লিওনিয়ার খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক ওইরি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা লিঞ্জাও অমনা গুন্তীর হাৎলগা চাখ্রে



*মেলবোর্ন, মার্চ ৩ঃ* ওষ্ট্রেলিয়াগী অব্রাং থংবা ক্বিন্সলেন্দদা চাওরবা লিনজাও অমনা গুন্তীর অমবু মতম শাংনা লাক্লা ফানা তৌদুনা হাৎলবা মতুংদা চাথোকখ্রে হায়রি।

মাউন্ট ইসা মনাক্তা লৈবা মুন্দারা পাৎতা থোকখিবা থৌদোক অসি মফম অদুব্রাইদা লৈবা মীশিংনা ফোটো নমহৌখিবনি। লাইরেল ওইগনি হায়না চিংনবা লিনজাও অসিনা গুন্তীর অদুবু য়েৎশিন্দুনা চপথেক্লবা মতুংদা পাৎকী ঈশিংদা মতম শাংনা লাক্লা ফানা তৌখি। কোন্নথংদা চপথেক্তুনা হাৎলবা গুন্তীর অদু লিনজাও অদুনা কংফালদা চিংখৎলগা চাথোকখিবনি।

গুন্তীর অদু পুময়োৎ য়োৎলবা মতুংদা লাইরেল অদুগী মশাদা গুন্তীরগী শওং শাদা অদু শেংনা উবা ফংখি। টিফানি কোর্লিস হায়বা লোকেল মীওই অমনা লাইরেল অদুগা গুন্তীর অদুগা লাক্লা ফানরিবা অদু উরকপদগী ফোটো নমহৌবনি। মহাক্লা পাউগী এজেন্সি অসিদা হায়খিবদা, থৌদোক অদু অশুক্কী মতিক অঙকপগা লোয়ননা নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমা ওইখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না উরকপদা গুন্তীর অদু লাইরেন অদুনা ফাজিল্লগা মশা পুন্নমক পুময়েৎ য়েৎশিল্লম্লে। অহানবদা শা অনিদু ঈশিং মনুংদা লাক্লা ফানবা হৌরক্লবা মতুংদা গুন্তীর অদুনা মকোক অদু ঈশিং মথক্তা অমুখক্তি লিংখৎলম্মী। অদুবু লিঞ্জাও অদুনা য়েৎশিন্দুনা চপথেকখি। গুন্তীর অদু শিরবা মতুংদা লিনজাও অদুনা য়েৎলিবদু থাদোরকখি। অদুগা মকোক্লোমদগী হৌরক্লগা তপ্পা তপ্পা য়োৎশিনখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

গুন্তীর অদু চাবদা মিনিট ১৫ রোম চংখি। অদুগী মতুংদা লিনজাও অদু মবুক থনবগা লোয়ননা ঐখোয়সু মফম অদুদা কুইনা লৈনিংদবদগী লাক্লে। লিনজাও অদু কদোমদা চৎখিবগে খঙলক্ত্রে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌদোক অদুবু উহৌবা এলিস রোজেনথেল হায়বা অমনা লোকেল মেদিয়াদা হায়খিবদা, লিনজাও অদুগা গুন্তীর অদুগা লাক্লা ফানখিবদি পুং অমরোম চংখি। মদুগী মতুংদা অনিমক ব্রাবনা চোকথবা উখি। অসিগুম্বা কুম্মৈ অসি নুংতিগী উবা ফংগদবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি লাইরেন অমনা জিবা অমবু চারমদাইদা য়েৎশিল্লগা চপথেক্তুনা শ্বর থদৎলি। মসিদগী জিবা অদুগী থম্মোয় মীহুল লেপহল্লবা মতুংদা জিবা অদু পুম্না য়োৎশিল্লি।

লিনশিংগী কা হেন্না কোমথোকপা মখ্যাৎ পানবা মরমনা মশাদগী য়াম্না হেন্না চাওনা কাথোকপা ঙম্মী।

ইং ২০১২ ফোঙদোকখিবা ষ্টদি অমদা হায়বগী মতুংইন্না লাইরেন অমনা মহাক্কী ভিক্টিম অদুগী থম্মোয়গী মীহুল খঙবা ঙম্মী। মীহুল অদু লেপ্ত্রিবা ফাওবা চপখাই।

## চাকঙাই ব্রারী

অইবা অমসুং অয়েকপা
নোংলান

